# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-10-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী নাৎ চৎনবী ঙাক্তুনা থমবা অমদি চাওখৎমিন্ননবা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি।

২) মণিপুর পুলিসকী ১৩৫ শুবা রেজিং ডেগা মরী লৈননা থৌরম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সভ্যতাগী খোঙচৎ অসি চহি চা কয়া চুপা চখরকপা কলা সংস্কৃতি অমসুং ৱাখল লৌশিংগী খোঙচৎ অমনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী নাৎ চৎনবী ঙাক্তুনা থমবা অমদি চাওখৎমিন্ননবা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি।

কোম য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সরতো অহাও কোমনা লুচিংবা মীওই ৫৫ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমগা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নবগী থৌরমদা শ্রী খেমচান্দনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। উন্নবা অদুদা কোম কম্যুনিতিগী কলচরেল হেরিতেজ ঙাক শেন্দুনা থমবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা লাক্কদৌরিবা বারকাপ-রৈজ্ ফেষ্টিভেল ২০২৬ তা মুখ্য মন্ত্রিবু শরুক য়াবীনবা বার্তন তৌখি। লোয়ননা ওর্গানিক ওইবা এন্সাং নাপী অমদি হৈ-রানচিংবসু মুখ্য মন্ত্রিদা খুদোল তমখি।

মীহুৎ কাংবু অদুদা সরকারগী মাইকৈদগী কোম ফুরুপ্পু হেন্না চাওখৎহন্নবা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসকী ১৩৫ শুবা রেজিং ডেগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা বত্তাল্লিয়ন অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংনা লম তু শেংবা য়াওনা থৌরম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

ঙরাংসু ৯ শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ (মহিলা) বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা বত্তাল্লিয়ন অসিগী হেদক্বাটরসতা সেক্সুয়েল ওফেন্সেস এগেনষ্ট ৱিমেন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অদুদা পুন্না মীওই ১০০ রোমা শরুক য়াখি।

মণিপুর পুলিস ১৩৫ শুবা রেজিং ডেগা মরী লৈননা ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসন্না ক্বাক্তা সেরিকলচর রিলিফ কেম্পতা লৈবা আই.দি.পিশিংদা অথুম অহাউ অমদি লাইরিক তম্বদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালদা অঙাং উন্নবদা নুপী অমা লৈখিদবগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা ইন্সটিট্যুট অসিনা মীওই মরিনা শাবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেমখ্রে। রিমসকী মিদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কমিতি অসিনা থিজিনবগী রিপোর্ট নুমিৎ হুমিগী মনুংদা হেক পীখৎলকপগা মরাল লৈরম্বশিংগী মথক্তা মতিক চাবা লৌখৎকনি। অঙাং উন্নবদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মফমদা রিমসকী মাইকৈদগী থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।

মকুই (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মকুই খুলদা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওংবু মকুই ভিলেজ ওথোরিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মকুই ভিলেজ ওথোরিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীচম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলু। অসিগুম্বা থোদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা ঙাকপী শেনবীনবসু চেরোল অসিনা তকশিল্লক্লি।

সটদাউন (এল)ঃ কোরকোম অমসুং সোরেপানা ঙসি কৌখিবা টোটেল সটদাউন হৌজিক চখুরি। কুমজা ১৯৪৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারতনা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবনি হায়দুনা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ব্লেক ডেনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা টোটল সটদাউনগী খোঙজং অসি চখুরকপনি।

টোটেল সটদাউন অসিনা মরম ওইদুনা লম্বীদা পেসেঞ্জর গাড়িশিং চৎনদ্রে, কৈথেল অমসুং দুকানশিং থোঙ হাংনদ্রে। অমরোমদা, টোটেল সটদাউন অসিগী য়েংলগা মণিপুর পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সভ্যতাগী খোঙচৎ অসি চহি চা কয়া চুপা চখুরকপা কলা সংস্কৃতি অমসুং ৱাখল লৌশিংগী খোঙচৎ অমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাংদগী হৌখিবা নুমিৎ হুমি চখুগদবা মালেমগী লৈবাকশিংগা ভারতকগী মরক্তা লৈনবা কলা সংস্কৃতিগী মরী হায়বা নুমিৎ হুমিগী মালেম থাক্কী মীফম হৌদোকপদা শ্রী মোদিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। নলন্দাবু ভারত অমসুং মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াগী মরক্তা মহৈ মশিং তম্বা অমসুং ৱাখল লৌশিং পীথোক পীশিন তৌনবগী অরিবা সেন্তর অমনি হায়নসু সেন্তর অমনি হায়নসু শ্রী মোদিনা শিংথাখি।

পিএম-২ ঃ জন সেবা সে দেশ সেবা হায়বা ৱাখল্লোনদা চোকথবা লৈতনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগীদমক সেবা তৌরকপা চহি ২৫ মপুং ফারে। প্রধান মন্ত্রি সংগ্রহালায়াগুম্বা খোঙথাংশিংনা লৈবাক অসিবু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওহহন্নবা মঙলান মঙফাওনহন্নবা হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি সংগ্রহালায়া অসি কুমজা ২০২২ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা হায়- ম্যুজিয়ম হায়বসি অরিবা মতমগী পোৎলমশিং অমসুং সরকারনা হোৎনরকখিবশিংগী অপুনবা অহিংবা খুদম চাংদম অমনি।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা রেলৱেগী কর্ম্মচারি লাখ ১১ লিশিং ৪০ রোমদা প্রদক্তিভিতি লিঙ্ক বোনসকা মান্ননা নুমিৎ ৭৮ নিগী ৱেজেস পীনবা অয়াবা পীখ্রে।

মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- থৌরাং অসিগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ২,০০৯ খাক্তুনা থল্লে। নেসনেল সোসিয়েল এসিষ্টেন্স প্রোগ্রাম মখা তানা চহি মঙা অমগসু চত্থনবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা য়ারে। মসিগীদমক কুমজা ২০২৬-২৭ তগী ২০৩০-৩১ ফাওবগী ওইনা বজেৎতা লুপা কোতি লিশিং ৫৩,৪২৮ কাইথোক্লে। প্রোগ্রাম অসি প্রধান মন্ত্রি সমাজিক সহয়াতা য়োজনা হায়না নৌনা মমিং থোল্লে। থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী পুন্না বেনিফিসরি কোতি ৩ লাখ ২০ লোমদা কান্নবা পীরগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা লদাখতা লুপা কোতি লিশিং ৩,৩৫০ রোম চংনা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী অচৌবা প্রোজেক্ট মঙা শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অদোমগী লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কলা সংস্কৃতি অমসুং ঈশিং নিংথিনা ফংহন্নবা অমদি হান্নদগী হেন্না ফিভম ফগৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা কুসোক-বাকুলা-রিমপোচি এয়ারপোর্টকী নৌনা শাবা পেসেঞ্জর টর্মিনেল বিল্ডিংসু শঙ্গাগনি। কিলোমিতর ২৯৮ শাংবা নিম্মু-পাদুম-দারচা লম্বীসু প্রধান মন্ত্রিনা জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্কনি।

কানাডা ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কানাদাগী মপান থৌরম মন্ত্রি অনিতা আনন্দগা ঙরাং নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা উন্নবা অদুদা লল্লোন ঈতিক, টেকোলোজি, সেক্যুরিতি, ইনর্জি অমসুং শিক্ষাগী লমদা তেংবাং পীনব হেনগৎহন্নবা অমদি লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্র সরকারনা সব-দিভিজন ৩০৫ বু ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। মখা তানসু সব-দিভিজন ৪০ দা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকবা য়েংশিনবগী থবক চখ্থরি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা ঈকংনা শোকহল্লবা লৌমীশিংগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা দিৱালি মমাংদা অহানবগী তেংবাং ওইনা লুপা লিশিং ৫-৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মুম্বাইদা রাজ্য মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা শ্রী ফদনাবিসনা হায়- মফমশিং অসিদা ঈকংগা মরী লৈনবা থৌশিল থৌরাংশিংগী মতাংদা মখা তানা তেংবাং পীনবা হোৎনগনি। মখোয়দা থৌশিল অসিগী মখাদা ক্রোপ লোন পীবা, লমগা মরী লৈনবা খাজনা কোমথোকপা, মৈগী বিলদা সবসিদি পীবা অমসুং লৌমীশিংগী অঙাংশিংদা ফি লৌদবনচিংবা কয়া য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ৱাকায় ঙাংবা লুচিংবা লৈবা লাইবক থিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নুংশি হায়রগা সেকমাই লানবা ঙমদবা লুচিংবশিং ৱাকায় ঙাংবা লেপ্পিরো হায়বা চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী লৈরিবা লেন্দ রেকোর্দশিং রি-সর্ভে তৌবা মথৌ তাই হায়না দাইরেক্তোরেট ওফ সেটলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দগী দাইরেক্তর ডাঃ দেবিত এলাংবমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীওই মরিনা শাবা ইনক্কারি কমিতি অমা শেমদুনা থিজিল্লগনি হায়বা পাউ দ পিলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লম্লক্কী শা-উচেকপা শাদানবা অমসুং ত্রাফিক্কিং তৌরোইদবনি হায়বা গর্ভনর আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোখিবা ৱাফম অমদি উমং অমসুং ৱেটলেন্দশিং অসি

মহৌশাগী মমল য়াম্লবা খুদোলনি হায়না দিপ্যুতি সি.এম লোসি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লি পুলিসনা এম.পি. বিমোল কৌরকখ্রে, কিহল্লকপদা মায় লৈদুনা চেল্লোই চপ চানা থেংনগনি হায়না এম.পি. বিভোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনৌবা মায়ওনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কামজোংদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নাগাগী এম.এল.এশিং ষ্টেট গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা অমুর ফালকোন হাৎপদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মকুই অমদি তপোনদা থোকখিবা হিংশাগী থৌওংবু রেংমাই নুপীশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------